**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 23-05-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য অসিদা শঙ্গোমগী পোখোক মরাং কায়না পুথোকবগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা নেসনেল দেরি দিভলপমেন্ট বোর্দকী ওফিসিয়েলশিংগা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চখবদা খুৎশু খুৎলায় অমসুং য়াম্লবা নিশাগী পোৎলমশিং ফাগৎলে।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি সরকারগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংদা নৌনা থবক চংগদবা মীওই লিশিং ৫১ দা মএপ্পোইন্টমেন্ট লেটরশিং য়েন্থোক্কনি।

------

সিএম (এল)ঃ রাজ্য অসিদা শঙ্গোমগী পোখোক মরাং কায়না পুথোকবগী মতাংদা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা নেসনেল দেরি দিভলপমেন্ট বোর্দকী ওপরেসন্সকী একজিক্যুতিভ দিরেক্তর এস. রেগুপতিগা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা রাজ্য অসিগী শা-ষন লোইরিবা মীওইশিংদা সরকারগী মাইকৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

মীফম অদুদা রাজ্যগী ভেটেরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি বিভাগকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি।

পুলিস (এল)ঃ  সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা থৌবাল জিলাগী খোংজোম পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা তেকচম মনিং চীংদা ঙরাং থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফংলে।
খুৎলাইশিং অদুগী মনুংদা মেগজিন য়াওবা করবাইন অমা, বোল্ট এক্সন রাইফল মরি, মেগজিন য়াওনা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অনি, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, দবল বেরেল নোংমৈ অমা, ইঞ্চি অনিগী পেরা বোম মরি, হেন্দগ্রেনেদ অমা, তুয়েল্ব বোল্ট কাত্রিজ ১০ অমদি নাইন এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু অহুম য়াওরি।

মণিপুর পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- রাজ্য অসিদা নমদুনা শেল খায়বা অমদি আইন্না য়াদবা থবক থৌওংশিং থিংননবা চথুখিবা ওপরেসন অমদা থৌবাল জিলাগী খোংজোম পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা খোংজোম পাপল এরিয়াদগী লালহৌলুপ অমগী এক্তিভ কাদর অমা ফারে।
অমরোমদা, চুরাচান্দপুর জিলাগী সিংনাৎ পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা স্বাংদৌ খুল ময়াগী ভিহিকল চ্যেক পোষ্টতা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা সাপোন কেপ ৩৩ দা হাপ্তুনা পুরকপা ব্রাউনসুগরনি চিংনবা পোৎলমশি অমদি কিলোগ্রাম ৩ গ্রাম ৮০০ গী ওইগদবা দব্লিউ.ৱাই. টেব্লেৎ লিশিং ৪০ পুদুনা লাকপা চুরাচান্দপুর জিলাগী নিউ লমকা গৌচিংখ্‌প ভেংদগী মীওই অমা ফারে। মহাকা তোংলকপা কার অদুসু পুলিসনা ফারে হায়রি।

মুকেশ (এল)ঃ  কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলগী এপ্পোইন্টমেন্ট কমিতিনা  মণিপুরগী দি.জি.পি ওইরিবা রাজিভ সিংহ কেবিনেট সেক্রেতরিয়েটকী সেক্যুরিতি সেক্রেতরি ওইনা হাপবা কমিতি অসিনা থা অসিগী ২১ দা চেরোল অমা থোকখ্রে।

কমিতি অসিনা অরুনাচল প্রদেশ, গোৱা, মিজোর অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিজ (এ.জি.এম.য়ু.টি ১৯৯৬)কী আই.পি.এস কাদর মুকেশ সিংহবু চহি অহুমগী ওইনা মণিপুর কাদরদা ত্রান্সফর তৌনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

হিট (এল)ঃ নেসনেল প্রোগ্রাম ওন ক্লাইমেট চেঞ্জ এন্দ হ্যুমেন হেলথ মণিপুরগী নোদেল ওফিসার ডাঃ য়েংখোম নিভেদা দেবীনা হায়রি- কা হেন্না শাগৎলকপসিদা মীয়ামদা তোঙান তোঙানবা শাবগা মরী লৈনবা লায়না ফুগ্রি থোকপা, হাক্কজবা অসিনচিংবা কয়া থোকহল্লকপা য়াই। অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্ননা উন্নবদা ডাঃ নিভেদানা হায়- নুংশা মরক্তা মতম শাংনা লৈরুরবা তুংদা খোঙ খুৎ পোমখৎপা থোকপা য়াই। অঙাং মচা অমদি শান্নরোইশিংনসু নুংশাদা মতম শাংনা শান্নরুবদা অসিগুম্বা খুদোংথিবশিং অসি থোরকপা য়াই। ঈশিং মরাং কায়না থকপা, মতম মতমগী হৈ-রা চাবা অমদি য়ারিবা মখৈ য়ুমদগী চৎথোক্তবা অসিনা খুদোংথিবশিং অসিদগী খরা মখৈ ঙাকথোকপা ঙমগনি।

পিএমশ্রী (এল)ঃ পি.এম. শ্রীগী মখাদা নুমিৎ নিনি চথ্বরকপা মেথস অমসুং সাইন্স সার্কল একজিবিসন ঙসি লম্লাই হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা লোইশিল্লগনি। থৌরম অসিদা আর্টস এন্দ ক্রাফটস উৎকনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি পাঙথোক্কদৌরিবা ১৯ শুবা রোজগার মেলাদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা সরকারগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংদা নৌনা থবক চংগদবা মীওই লিশিং ৫১ দা মখোয় মখোয়গী এপ্লোইন্টমেন্ট লেটরশিং পীগনি। লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফম ৪৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা রোজগার মেলা অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংগনি।
ঙসি এপ্লোইন্টমেন্ট লেটর য়েন্থোক্কদৌরিবা বিভাগশিং অদুদি- রেলৱে, হোম এফ্যারস, হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যার অমদি হায়র ইজকেসননি।
নীংশিংবা য়াই, মমাংদা পাঙথোকখিবা রোজগার মেলা ১৮ অসিদা মীওই লাখ ১২ দা এপ্লোইন্টমেন্ট লেটরশিংশি খুৎশিন্নখ্রে।

থাউ ঃ কেন্দ্রগী পেট্রোল্লিম এন্দ নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়না হায়রি- ভারত্তা পেট্রোল অমসুং দিজলগী অৱাৎপা লৈতে।
সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা চেরোল অমদা মন্ত্রালয়না হায়- মীয়ামা মখোয়গী

তঙাইফদবা চাং খক্তমক শিজিন্নবীয়ু। থাউ ফংলরোই হায়দুনা হেন্না লৈশিন্দুনা থন্বীগনু। রিতেল আউলেট খরদা সপ্লাই ব্রাৎলিবা অদু ওইল মার্কেতিং কম্পনিশিংগা পাউ ফাওদোকদুনা তঙাইফদবা থাউশিং ফংহন্নবা হোৎনরি।

নিট ঃ নিট য়ু.জি. পরিক্ষা ক্বেসন লিক ওইবগা মরী লৈননা সি.বি.আইনা ঙরাং মরুওইনা চেন্নবা মীওই অমগসু ফারে। ফারবা মীওই অসি মহারাষ্ট্রগী পুনেদা লৈবা সেথ হিরালাল সরফ প্রাসালাদা থবক তৌবা মনিসা শঞ্জয় হবলদার কৌহ। সি.বি.আইনা হায়- মহাক অসি নিট য়ু.জি. পরিক্ষাগী থবক থৌরমদা মরুওইনা চেন্নবা অমদি নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিনা এক্সপার্ট অমা ওইনা হাপখিবনি। সি.বি.আইনা হায়- মনিসানা ফিজিক্স সবজেক্টকা মরী লৈনবা ৱাহং খরা থা অসিগী ১৬ তা ফাখিবা মনিসা মন্ধারেদা খুৎশিন্নখি হায়রি। হৌজিক ফাওবদা সি.বি.আইনা দিল্লি, জয়পুর, গুরুগ্রাম, নাসিক, পুনে, লাতুর অমসুং অহিলিয়ানগরদগী মীওই ১১ ফারে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মুখ্য মন্ত্রিনা রাজ্য অসিদা শান্তি হঞ্জিন্নবা ৱারী শাবগী তঙাইফদবশিং ফোংদোকখিবা, মণিপুর য়াওনা রাজ্য সভাগী মেম্বর ২৪ খন্নবা মীখল জন ১৮ দা পাঙথোক্লগনি হায়বা অমসুং ফাজিনখিবা নাগা মীচম থাদোরকবা নুমিৎ হুমিগী দেদলাইন পীখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পেন্দবা হায়বসি সরকারদা তাইনগদবনি অদুবু সরকারদা তাইনরিবনি হায়দুনা নোংমগী শুরগা চাজরিবশিংদা চৈনা পীবদি তৌহন্নিংদে হায়বা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগী ৱাফমনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

বিষ্ণুপুর অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী লোন্নবা মফমশিংদা লৌ উবগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা অমসুং মসিগা মরী লৈনবা সেক্যুরিতি পীনবগী মতাংদা মীফম ফমখিবগী পাউনা মণিপুর মেলগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

সি.এমনা লমশাং এ.সিদা আর.সি.সিগী থোং অহুম শঙ্গাখ্রে, পামদবা থৌদোক কয়া থোক্লবসু বন্দ-ব্লোকেদ নত্তবা অতোপ্পা খোঙজং চংশিনবীয়ু হায়বা য়ুমাম খেমচান্দগী ৱাফমনা সনালৈবাক্কী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা ৱারোই পুরকবা ৱারী শাগদবনি হায়বা সি.এমগী ৱাফম। অখাম, মাকলং অমসুং শলামগী থোংশিং শঙ্গাখ্রে হায়বা পাউ ফোতোগা কোন্ননা অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদসু ফোতোগা কোন্ননা ফোংলি।

মণিপুর য়াওনা রাজ্য সভাগী মেম্বর ২৪ খন্ননবা মীখল জন্ ১৮ দা পাঙথোকগনি, টিকেৎ পীবীয়ু হায়দ্রি, কেন্দিদেট খনবগী প্রোসেস তৌদ্রি, এম.পি ওইনা থবক খরদি তৌজখিগনি হায়বা এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবগী ৱাফমনা হুইয়েন লানপাউগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

নাগা ভিজেল গার্দ এন.সিনা মখোয়গী মীচম ৬ থাদোরকবা অরোইবা মতম থাখ্রে হায়বা পাউনা পোকফমগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

কুকি জো কাউন্সিলনা শান্তি পুরকবা অমসুং কাংলুপ অনিমক্কী ফাজিনদুনা থল্লিবা মীওইশিং থাদোকপীনবা আপীল তৌরক্লি হায়বা পাউ অমসুং নাগাগী মীচমশিং ফাজিনখিবা অদুগী মতাংদা লংলা লংজিল অমত্তা লৈত্রি হায়বা মন্ত্রি গোবিনদাসকী ৱাফমনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

তমেংলোং জিলাদা প্রি-মোন্সুগী মাংওইননা ঈশিংগী ক্বালিতি টেষ্টিং পাঙথোক্লগনি অমসুং অন্সমনা প্রসিদেন্ট কাউন্সিলগী ইম্মরজেন্সি মিতিং হয়েং কৌখ্রে হায়বা পাউ অসিনা গানফিউ মেলগী অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

------